**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 27-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি অরুনকুমার সিনহানা হায়রি- রাজ্য অসিগী মরুওইবা তুরেল অমা ওইরিবা ইম্ফাল তুরেলগী রিজ্‌ভিনেসনগী থবক থৌরম পায়খৎপা হৌরে।

২) মণিপুরগী শান্ন-খোৎনবগী মতাংদা হিষ্টরি, পেট্রোন্স অমসুং দোয়েন্স হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা জাতি থাক্কী সেমিনার অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকখ্রে।

৩) মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্তর এল. নবাচন্দ্রনা হায়- হোস্পিতাল অমদা লৈরিবা মৈহৌ লাংপোক থেংনবগী খুৎশু খুৎলায়শিং নিংথিনা শিজিন্নবা হৈহনবনা মৈহৌ লাংপোক্তগী মীওইবগী পুন্সি অমসুং মীয়ামগী লন থুম কনবদা কান্নগনি।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগা ৱা, মনকি বাটকী ১২৯ শুবা ইপিসোদ হয়েং , নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

অমসুং

৫) ৯ শুবা তাঙ্কক্কী পরিক্ষা পে চরচা ২০২৬ কী রেজিষ্ট্রেসন হৌরে।

------

কেলেন্দর (এল)ঃ রাজ্যগী ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি অরুনকুমার সিনহানা হায়রি- মণিপুরদা জনুৱারি থা য়ৌরকপদা তুরেলগী খোঙনুংশিং ঈশিং ফংলক্তবগী সমস্য কয়ামরুম মায়োকরি। রাজ্য অসিগী মরুওইবা তুরেল অমা ওইরিবা ইম্ফাল তুরেলগী রিজ্‌ভিনেসনগী থবক থৌরম পায়খৎপা হৌরে।

ইনভাইরোনমেন্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগকী ইং ২০২৬ কী ইনভাইরোনমেন্ট কেলেন্দর ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎতা লৈবা বিভাগ অসিগী ওফিসতা ফোংবগী থৌরমদা ৱাফম অসি মহাকা ফোংদোকখিবনি। শ্রী অরুনকুমার সিনহানা হায়- স্প্রিং সেট মেনেজমেন্ট তৌবা অসি চীংগী লমদমদা য়ামা মরুওইরি। মরমদি চীংগী লমদা ঈশিংগী সমস্য চাউনা মায়োকরি। মহাকা হায়- লমদম অসিদা ইফুৎশিং কংশিল্লকপগী মরুওইবা মরমদি কেটচমেন্ট এরিয়াশিংদা উমং কোকথোকপগী চাং ৱাংখৎলকপদগীনি। মরম অদুনা মীয়াম পুন্না করিগুম্বা খরা পায়খৎপা তঙাইফদে।

ইন্তরেক্সন (এল)ঃ ক্লাইমেত চেঞ্জ রিপোর্টিং ইন মণিপুর হায়বসিদা ৬ শুবা মিদিয়া ফেল্লোসিপ প্রোগ্রামগী মঙাসুবা ইন্তরেক্সন থৌরম ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পোরোমপাৎতা লৈবা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জগী মিদিয়া রিছোর্স সেন্তরনা শিনবা থৌরম অসিদা প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট লেবেল নোদেল এজেন্সিগী টেকিকেল এক্সপার্ট ওক্রম বাসুদেব সিংহনা হায়- ষ্টেট লেবেল সেঙ্কসন কমিতিনা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ অসিগী হৌখিবা এপ্রিল ১০ দা স্প্রিং সেট লিশিং ২,৭৪০ অয়াবা পীখ্রে। মহাকা হায়- জিলা ১৬ অসিগী দ্রাফট প্রিলিমিনরি প্রোজেক্ট রিপোর্ট ১৬ সু লোইখ্রবনি। রিপোর্ট অসিদা জিলা ১৬ অসিগী তোঙান তোঙানবা খুল ৫৯৫ গী স্প্রিং সেট লিশিং ২,৩৪৩ য়াওরি।

ৱার্কসোপ অদুদা ৱা ঙাংবদা দাইরেক্তোরেট অসিগী দাইরেক্তর ডাঃ তৌরাংবম ব্রজকুমারনা হায়- নোংজ্ থা লোইখ্রবা মতুংদা মণিপুরগী তুরেল অয়াম্বগী ঈশিং কংশিল্লকপগী খুদোংচাদবশিং মায়োকরি। মহাকা হায়- হৌজিমক্কী ওইনা সরফেস অমসুং গ্রাউন্দ ৱাটর মেনেজমেন্টকী থৌশিল থৌরাং লৈত্রি। অদুমওইনমক, গ্রাউন্দ ৱাটরগী ওইনদি পোলিসি অমা দ্রাফট তৌবা লোইরে। মসিগী মরুওইবা দাইত্ব লৌউ শিংউ বিভাগনা লৌরি। ডাঃ ব্রজকুমারনা হায়- মণিপুরদা হৌজিক করম করম্বা মফমদা ৱাটর টৱার লৈবগে হায়বদু কন্না থিরি। ৱাটর টৱার লৈবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। মসি মশক খঙদোক্লুনা রিচার্জ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

সেমিনার (এল)ঃ মণিপুরগী শান্ন-খোৎনবগী মতাংদা হিষ্টরি, পেত্রোন্স অমসুং দোয়েন্স হায়বসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা জাতি থাক্কী সেমিনার অমা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকখ্রে। য়ুনিভর্সিতি অসিগী কলেজ দিভলপমেন্ট কাউন্সিল, দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিওলোজি অমসুং ইন্তেলেকচুয়েল ফোরম ওফ নোর্থ ইষ্ট মণিপুরনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্র সিংহ্ শরুক য়াখি।

ফোরম (এল)ঃ দ কলচরেল ফোরম মণিপুরনা শিন্দুনা কবি লাইশ্রম সমরেন্দগী বার্থ সেন্তিনারি নেসনেল সেমিনার অমা ঙসি ইম্ফালগী জি.পি. ৱিমেন্স কলেজদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হান্নগী কনভেনর, মণিপুরী লেঙ্গুএজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদমি প্রোফেসার হুইরেম বিহারি সিংহ অমসুং দ কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসার কোইজম শান্তিবালা দেবী শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মীওই ৮ না কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী পুন্সি অমসুং থবক হায়বসিদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

ফয়ার (এল)ঃ রাজ্যগী ফয়ার সার্ভিস বিভাগ অমদি আর.দি.ও কলেজ ওফ নর্সিং লমশাংনা শিন্দুনা নুমিৎ হুমি চুপা চথুগদবা নর্সশিংগী ওইবা সোর্ট টার্ম ফয়ার এন্দ লাইফ সেফতি ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী ইম্ফালদা লৈবা ফয়ার সার্ভিস হেদক্বাটরদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী দাইরেক্তর এল. নবাচন্দ্রনা হায়- নর্সশিংগীদমক অসিগুম্বা ত্রেনিং অসি মণিপুরদা লৈরিবা নর্সিং ইন্সটিট্যুট খুদিংমক্তা পাঙথোকপা তঙাইফদে। মহাকা হায়- হোস্পিতাল অমদা মৈহৌ লাংপোকচিংবা থোরকপা মতমদা নর্সশিংনা করম্বা থৌদাং লৌগনি হায়বসি মাংজোননা খঙহল্লবদি হেন্না খুদোংথিগদবদগী কনবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা হোস্পিতাল অমদা লৈরিবা মৈহৌ লাংপোক থেংনবগী খুৎশু খুৎলায়শিং নিংথিনা শিজিন্নবা হৈহন্দুনা খুদোংথিবা থৌদোক থোরকপা মতমদা মতম চানা থেংনবা খক্তা নত্তনা মীওইবগী পুন্সি অমসুং মীয়ামগী লন থুম কনবদা কান্নগনি।

দিসএবিলিতি (এল)ঃ কম্পোজিৎ রিজনেল সেন্তর ফোর স্কিল দিভলপমেন্ট রিহেবিলিতেসন এন্দ ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ (সি.আর.সি.এস.আর.ই)না শিন্দুনা ঙসি ইন্তরনেসনেল ডে ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী সাই এন.ই.আর.সিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রাজ্যগী ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ- ৱাইখোম বিরাহরি, সি.আর.সি.এস.আর.ই ইম্ফালগী দাইরেক্তর এন. খোইবী সিংহনচিংবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডাইরেক্তর খোইবীনা হায়- হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংগীদমক সি.আর.সি.এস.আর.ইনা তোঙান তোঙানবা এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া অমা পাঙথোকখ্রে। মসিগী মরুওইবা পান্দমশিংদি- হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংগীদমক সরকারনা লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপদা মতেং পাংবা অমদি মখোয়দা কান্নবশিং অসি ফংহনবা হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা হকচাংগী ফিভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংগীদমক সরকারনা পীবা পোৎলমশিং বেনিফিসরি ২০ দা খুৎশিন্নখি। পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা হ্বিলচেয়ার, ত্রাই সাইকল, ৱার্কিং ষ্টিকনচিংবা য়াওরি।

যুপিএফ (এল)ঃ যুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট মণিপুরনা ঐখোয় অমুক হন্না খুন্তাকলরোইশি হায়বা ৱাখল্লোনদা চহি ৭ খুন্তাকপগী নীংশিং থৌরম মণিপুরগী ৱাংমদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চত্তুনা লেপ্তুনা পাঙথোক্লি।

ত্রিপুরাগী আগরতালাগী অভোইনাগরদা লৈবা পাউনা ব্রজবাসিগী মীতমদা ঙসি য়ু.পি.এফকী লুচিংবশিং অমদি মফম অদুদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা শরুক য়াদুনা হৈকৎ লৈকৎ তমখি। তুংদা, মফমদুদা লৈবা ইবুধৌ পুথিবগী শঙলেনদা পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা য়ু.পি.এফকী এদভাইজর খোমদ্রাম রতন্না হায়- পুৱারীগী তাঙ্ককশিংদা য়েকবশিংনা লান্দারকপা মতমদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থৌনা ফনা লান্থেংনদুনা ঐখোয়গী নীংতম্বা ঙাক্তুনা লাকখি। চহি ৭ খুন্তাকপা মতমদা মণিপুরগী মনুং অমসুং মপানদা লৈরিবা ইরৈচাশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা অৱাশিংবু তানথোকখিবা অদু ঐখোয়না নিংশিংবা তঙাইফদে। হৌজিকসু মণিপুরগী লুরবা ফিভম অসিদা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা, মণিপুরগী অপুনবা শক্তম অমসুং ঙমখৈ ঙাকনবা হোৎনমিন্নশি হায়না শ্রী রতন্না মখা তানা ফোংদোকখি।

ওবিৎ (এল)ঃ শকাইরবা অইবা অমদি পদ্মশ্রী মনা ফংখ্রবা ডাঃ মোইরাংথেম কৃতি সিংহ ঙরাং কোলকাতাগী এপোলো হোস্পিতালদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৮২ শুখ্রে।

ইম্ফালগী কোংবা উচেক্কোনদা পোকখিবা ডাঃ মোইরাংথেম কৃতিনা হিংলিঙৈ মতমদা রাজ্যগী ইজ়কেসন (য়ু)গী দাইরেক্তর ওইরম্মী। মহাকা জরনেলিজম, কলা সংস্কৃতি, লাইনিং লাইশোল য়াওনা লম কয়াদা লাইরিক ৪০ গী মথক্তা ইরমখি। মহাকা লৌখিবা থৌদাংশিংবু শকখঙদুনা তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা মনা কয়ামরুমসু ফংখি।

মহাকা লৈখিদবদা কেন্দ্রগী হান্নগী রাজ্য মন্ত্রি রাজকুমার রঞ্জন সিংহনা থম্মোয় শোকা অৱাবা ফোংদোরক্লি। ৱারোল অমদা ডাঃ রঞ্জন্না হায়- মহাক্কী মমল য়াম্লবা ধর্ম্মবু য়োকখৎনবা লাইরিকশিং অসিনা তুংগী মীরোলশিংদা রাজ্য অসিগী নাৎ অমসুং চৎনবীশিং অদু খঙহনবা ঙম্লগনি।

ডাঃ মোইরাংথেম কৃতি সিংহনা লৈখিদবা মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিয়েসন্নসু অৱাবা ফোংদোরক্লি।

মনকিবাট ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৯ শুবা ইপিসোদ হয়েং, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা হংচিৎ শন্দোক্কনি।

পাউমাই(এল)ঃ পাউমাই ৱিমেন য়ুনিয়ন্না এম.এল.এ- থোঙাম বিশ্বজিৎকা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। এম.এল.এগী ক্বাটরদা উন্নবা অদুদা নুপীদা শক্তি পীবা, জাতি কাংলুপ অসিগী য়াইফনবা অমসুং পুন্না চাউখৎমিন্ননবগী ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়- খৃষ্টমাসকী শেংলবা কুম্মৈনা লাকপা অসিদা নুংশি চান্নবা শান্তি লৈবা, অমত্তা ওইবা অমসুং চাওখৎপা পুরকবা মপু মাগী মফমদা থৌনিজরিশি।

মীফম (এল)ঃ সেন্সন এন্দ দিলিমিতেসন ইন মণিপুর হায়বসিদা রাজনীতি দলশিংগী মীফম অমা ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা

পাঙথোকখ্রে। কেম্পেন ফোর জষ্ট এন্দ ফিয়ার দিলিমিতেসন্না শিনবা মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎ কাংবুশিং অমদি লুপশিংগী মীওইশিংসু শরুক য়াখি।

দেদ (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাংগোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা থিয়াম অমদি খাইদেম অনিগী লোন্নবা লমহাং অমদা মৌনহা অমগী অশিবা হকচাং লৈরম্লে।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়- লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমিং খাইদেম ওংবী চাউবা, চহি ২৬ রোম শুরে। থৌদোক থোকফমদা ফোরেন্সিক সাইন্সকী কাংবু য়াওনা মরী লৈনবা ওথোরিতিনা থিজিনখ্রে। অশিবা হকচাং পুলিসনা লৌখৎখ্রে।

অমরোমদা, মীশি অসিগা মরী লৈননা ইরাং থোকখি। অদুমওইনমক পুলিসনা মতম চানা লাকশিনখ্রে হায়রি।

ফেষ্টিভেল (এল)ঃ লাই ৱিমেন সোসাইতিনা শিন্দুনা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী ওইবা কুম্মৈ- সমেরা-নি ফেষ্টিভেল পাঙথোকখ্রে। সেনাপতি জিলাগী লাই (ভফিমাই) ভিলেজদা পাঙথোকখিবা ফেষ্টিভেল অদু ৱিপ য়োর ষ্টোরি হায়বা হিরম অসিদা পাঙথোকপনি।

কুম্মৈ অসি মহৌশাদগী লৈরক্লবা খুৎশা হৈবগী পোখোকশিং অমদি মীওইবগী পুন্সি মহিংদা হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। নোংমগী ওইবা কুম্মৈ অদুদা ফিশা লোনশাগী থবক থৌরমশিং, ৱাগী পোখোকশিং, মহৌশাদগী লৈরক্লবা লিক-কোন শাবনচিংবশিং উৎখি।

পরিক্ষা ঃ পরিক্ষা পে চরচা ২০২৬ কী রেজিষ্ট্রেসন হৌরে। মসিদা ক্লাস সিক্সতগী তুয়েল্ভ ফাওবগী মহৈরোই অমসুং ওজা অমদি মমা মপাশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। চরচা অসিদা মীয়ামা পুন্না শরুক য়াদুনা পরিক্ষাগী মাংওইননা মহৈরোইশিংনা অকি তুজ্‌ংবা য়াওদনা ৱাখল লৈতানা পরিক্ষা থাবা য়ানবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মহৈরোইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবা অসি হন্দক্কী অসিনা ৯

শুবা তাঙ্কক ওইগনি। থৌরম অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা মহৈরোইশিং, ওজাশিং উন্নদুনা পরিক্ষা থাবদা মহৈরোইশিংনা মশা মশাবু থাজবা থমদুনা পরিক্ষা থানবা ৱাফমশিং ফোংদোক্কনি।

কংগ্রেস ঃ মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গেরেন্তি এক্ট (এম.জি-নরেগা)গী মতাংদা মোদি সরকারনা লৌরক্লিবা ৱারেপ অসিগী মতাংদা লৈবাক শিনবা থুংবদা খোঙজং চংশিন্নবা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ়ন খরগেনা হায়রি। কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতিগী মীফম লোইরবা তুংদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী খরগেনা হায়- মথং চহিগী জনুৱারি তাং ৫ দা মীয়াম পুন্না এম.জি-নরেগা কন্নবা দল অসিনা চংশিনগদৌরিবা কেম্পেনদা শরুক য়াবীয়ু।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো ঃ ২০ শুবা নুপীশিংগী ষ্টেট লেবেল পোলো তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা অসাম রাইফলস ৱিমেন পোলো ক্লবনা জি.ঐচ. পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৮-৭ তা থোইখ্রে।

৯ শুবা জ়নিয়র বোইজ অন্দর সিক্সতিন ষ্টেট লেবেল পোলো তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নিউ ভিজন ক্লব-এনা কে.এন.এম.এফ রাইদিং স্কুল-বিবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ কর্নেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকুমার মেমোরিয়েল ফিফ ইন্তর ক্লব ফুটসাল তুরনামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এম.আই.য়ু.এফ.সিনা এস.এস.সিবু পাঞ্জল ৯-৬ তা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা আর.এফ.সি.সিনা নাউতোন এফ.এবু পাঞ্জল ১৩-৪ দা থোইখি।

অমফা ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চহি ৬ তগী ১২ ফাওগী নুপী অমদি নুপামচাশিংগী থা ৬ কী ওইবা অম্ফা ব্লু ক্লবস প্রোগ্রাম

পাঙথোক্লগনি হায়রি। অম্ফানা থোকপা চেরোল অমনা হায়- লমলোং থোংখোঙদা লৈবা অর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসি মথং চহিগী জনুৱারিগী অহানবা চয়োলদগী হৌগনি। মসিগীদমক অম্ফাগী ওফিসতগী ফোর্ম লৌরবা য়ারগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমদা জনুৱারি ৩ নি হায়রি।

ক্রিকেটঃ ৫ শুবা এম.এন.সি.এ. সুপর প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ গী ঙসি লমশাংগী খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমদি ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতা- ব্লু হোক খুরাই লমলোংনা এন.সি.এ নিংথৌখোংবু ৱিকেট ৪ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ গী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা
ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ২৯ দা থোইখ্রে।

থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচতা- এস.দি.সি লাইফম খুনৌনা আর.আর.সি.সি চুরাচান্দপুরবু রন ১৩২ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চংথরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা বি.এস.সি.এনা ৱাই.য়ু.সি.সি ৱাকৈথেলবু ৱিকেট ২ দা থোইখ্রে।

------